# পাকিস্টাননা থংন–থংননা ৮নি শুবা নুমিৎতসু সিজফয়ার থুগাইরকখ্রে, বোর্দর এরিয়াশিংদা কাপশিল্লকখ্রে



***জম্মু, মার্চ ১ঃ***
পাকিস্টান আর্মিনা থংন–থংননা ৮নি শুবা নুমিৎ ঙসি ইরাই নুমিৎতসু জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুঞ্চ দিস্ট্রিক্টতা লাইং ওফ কন্ট্রোল পরিংগী মফমশিংদা সিজফয়ার থুগাইদুনা শেল কাপশিল্লকখ্রে, নুপী অমা শোকখ্রে।

আর্মি ওফিসার অমনা হায়খি, পাকিস্টানি ট্রুপশিংনা পুঞ্চ দিস্ট্রিক্টকী কৃষ্ণগতি সেক্তরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা নোংমৈ অমসুং মোরটার কাপশিল্লকখ্রে অমসুং মদু নোংয়াই মতূং পূং ১.৩০ রোম তাবদা লেপখি।

নোংমৈ কাপশিল্লকপা অমসুং মোর্টার সেল্লিং তৌবদু পুঞ্চ অমসুং রাজৌরি দিস্ট্রিক্টশিংগী তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা অহীংচুপ্পা চথখি। মদুদা ইন্দিয়ান আর্মিনসু অকনবা মওংদা খূৎ হনখি।

পূঞ্চকী মানকোতে এরিয়াদা পাকিস্টান ট্রুপশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা অদুদা নাসীম অখতার কৌবী নুপী অমা শোকখি হায়না ওফিসিয়েল অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

পূঞ্চ দিস্ট্রিক্টকী মীচমশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা পাকিস্টানি লান্মীশিংনা হোৱিটজর ১০৫ এম এম য়াওনা অচৌবা গনশিং শিজিন্নখি হায়না মখোয়না ফোঙদোক্লি।

ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতসু জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পূঞ্চ অমসুং রাজৌরি দিস্ট্রিক্টশিংদা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংগী তোঙান তোঙানবা সেক্টর ৬তা লৈবা ইন্দিয়াগী ফোরৱার্দ পোস্টশিংদা অমসুং মীচম লৈবা মফমশিংদা পাকিস্টান আর্মিনা অকনবা মওংদা কাপশিল্লকপদা নুপী অমা শিখি অমসুং জৱান অমা শোকখি।

পাকিস্টানগী এটেক অদুগী ময়োক্তা ইন্দিয়ান আর্মিগী নাকন্দগীসু চপচানা খূৎ হনখি।

পাকিস্টান আর্মিনা হৌখিবা চয়োল অমদা পূঞ্চ, রাজৌরি, জম্মু অমসুং বরামুল্লা দিস্ট্রিক্টশিংদা সিভিলিয়ান অমসুং ফোরৱার্দ এরিয়া ৭০ হেনবদা পান্দম থমদুনা ৬০ রক হেন্না সিজফয়ার থুগাইরকখি, মদুদা নুপী অমা শিখি অমসুং মীওই ৯ শোকখি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা ওথোরিটিজনা রাজৌরি অমসুং পূঞ্চ দিস্ট্রিক্টশিংগী লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা কিলোমিটর ৫না কোনবা মফমগী মনূংদা লৈবা মহৈতমফমশঙশিং মতম খরগী ওইনা থিঙজিন্নবা ওর্দর তৌখি। ঙমখৈদা লৈবা মীওই পূন্নমক মখোয়গী য়ূম মনূংদা লৈনবসু খঙহনখি।

লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা থাক ৱাংনা উংখৎনরকখিবা অদুদা হ্বাইট নাইট কোর কমান্দর, লেফটনেল জেনরেল পরমজিৎ সিংহগা লোয়ননা নোর্দন আর্মি কমান্দর লেফটনেল জেনরেল রনবীর সিংহনা ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা রাজৌরি সেক্টরগী ফোরৱার্দ পোস্টশিংদা চৎতুনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী ওপরেসনেলগী থৌরাং তৌরিবা ফিভম অদু য়েংশিনখি।

ইন্দিয়া–পাক বোর্দর পরিংদা হৌখিবা চহী ১৫দা পাকিস্টানি ট্রুপশিংনা সিজফয়ার ২৯৩৬ লক থুগাইদুনা ২০১৮না খ্বাইদগী মশীং য়ান্না সিজফয়ার থুগাইবা ওইখি।

নাকন অনীগী মরক্তা ফ্লেগ মিটিংশিং পাংথোক্তুনা সিজফয়ার এগ্রীমেন্ট চেৎনা ঙাক্লবা অমসুং ৱাখল ফাথনবা হন্না–হন্না অপীল তৌদুনসু ইন্দিয়াগা ২০০৩দা তৌনখিবা সিজফয়ার এগ্রীমেন্ট অদু পাকিস্টাননা মখা তানা থুগাইরক্লি।

# ইন্দিয়ান আর্মি অমসুং বি এস এফ হায় –এলার্টতা থমখ্রে পাকিস্টাননা ঙমখৈগী খূঞ্জাশিং লৌথোকখ্রে, লান্মীশিং চঙশিল্লকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মোর্চ ১ঃ***
পাকিস্টাননা ইন্দিয়াগা লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা লৈবা খূঙ্গংশিংদগী মীচমশিং মফম হোংদোকখ্রে অমসুং লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) অমসুং ইন্টরনেসনেল বোর্দর পরিংদা ট্রুপশিং, টেঙ্কশিং অমসুং অতৈ আরমোর্দ মেটরিয়েলশিং পাকচাওনা মোবিলাইজেসন তৌবা হৌখ্রে।

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামাদা সি আর পি এফ জৱান ৪০ হাৎখিবা জৈশ–ই–মুহম্মেদকী টেরর এটেক অদুগী নুমিৎ নীনিগী মতূংদা মখোয়গী মোবিলাইজেসন অসি হৌখিবনি।

ইন্দিয়ান ওফিসিয়েলশিংগী মতূং ইন্না পাকিস্টানগী দিফেন্সসিব ফোর্মেসনশিংগী মখাদা লৈবা মিলিটরি য়ুনিট কয়ামরুম এল ও সিদা থমখ্রে অমসুং মখোয়গী এটেক ফোর্মেসনশিং থৌরাং তৌখ্রে হায়রি। পাকিস্টাননা অসুন্না মাঙজৌননা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অদুনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়ানসু এল ও সি অমসুং ইন্টরনেস্নেল বোর্দর পরিংদা লৈমায়দা লৈবা দিফেন্সশিং অমসুং মেকানাইজ ফোর্মেসনশিংগা লোয়ননা দিফেন্সকী থৌরাং হেন্না কনখৎহনখ্রে।

পাকিস্টাননা কাইহৌরকপগী থবক অমা হেক চথরকপদা মদুগী পাউখুম পীনবা ঐখোয় মপূং ফানা থৌরাং তৌদুনা লৈরে হায়না এদিস্নেল দাইরেক্টর জেনরেল, মিলিটরি ওপরেসন্স মেজর জেনরেল এস এস মরহালনা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিস্টাননা এল ও সি পরিংদা অহেনবা লান্মী থাজিন্দুনা হান্নদগী হেন্না থৌরাং তৌবগী ফিভম কনখৎহল্লকখিবদু আরমোর্দ কলমশিংনা শৌগৎলি হায়না অতোপ্পা ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

ঙমখৈ মনাক নক্না থল্লিবা পাকিস্টানগী ট্রুপশিং অদুগী মনূংদা রৱালপিন্দিদা লৈবা ১০কোর অমসুং গুজরানৱালাদা লৈবা ৩০কোরগুম্বা দিফেন্স ফোর্মেসনশিংগী য়ুনিটশিং য়াওরি। আরমোর্দ কলম অমদা টেঙ্কশিং অমসুং ইনফেন্ট্রি কম্বেট ভেহিকলশিং য়াওই।

ইন্দিয়ান ইন্টিলিজেন্সনা পাকিস্টানগী ট্রুপ মুভমেন্টশিং অদুগী সেটিলাইট ইমেজরি লৈ। পাকিস্টান মিলিটরি মোবিলাইজেসন অসি রাজস্থান বোর্দরদনা হেন্না চাওই। মফম অদুগী লম্মিৎ–তুম্মিৎ অদু মেকানাইজ ৱারফিয়ারগীদমক খুদোঙচাই।



রিজন অসিদা তৌরিবা ওপরেসনশিং অদু লাহোরদা লৈবা ৪কোর অমসুং কারাচীদা লৈবা ৫কোরনা য়েমশিল্লি।

মোবিলাইজেসন তৌরিবা অদুগী মনূংদগী খরদি ৭শুবা অমসুং ৯শুবা ইনফেন্টিল দিভিজনশিং, আরমোর্দ দিভিজন ২ অমসুং আর্মি রিজার্ব সাউথ, আর্মি রিজার্ব নোর্থ অমসুং আর্মি রিজার্ব সেন্টরগুম্বা রিজার্বশিং য়াওবা এটেক তৌনবগী মচাকশিংনি।

অসুন্না দিফেন্সিব ওইবা ফোর্মেসনশিং মোবিলাইজেসন তৌরবসু পাকিস্টানগী এটেক ফোর্মেসনশিং মোবিলাইজেসন তৌদে, অদুবু মখোয় থৌরাং তৌরি হায়না ওফিসিয়েল অমনা হায়রি।

কারাচিগী এক্সপ্রেসৱে কয়ামরুম ফাইটর এয়ারক্রাপশিংগী রনৱেশিং ওইনা শিজিন্নবা য়ানবগীদমক লম্বী চথোক–চৎশিন থিংখ্রে। কারাচিদা এলার্ট অমসু লাওথোকখ্রে হায়না অতোপ্পা ওফিসিয়েল অমনসু ফোঙদোকখ্রে।

# ট্রকনা পুলিস গাড়ীদা থোমগাইবদা পুলিসমেন ২শিখ্রে, ১৭ শোকখ্রে

***ভুবনেশ্বর, মোর্চ ১ঃ***
ঙসি অয়ুক ওরিষাগী হায়ৱে অমদা য়াঙনা থৌরকপা ট্রক অমনা পুলিসকী গাড়ী অমদা থোমগাইবদা পুলিসমেন ২শিখ্রে অমসুং অতোপ্পা ১৭ শোকখ্রে।

থৌদোক অদুদা শেকখিবা পুলিস পার্সোন্নেল ১৭ অদু হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়না পাউগী এজেন্সি অমনা হায়রি।

চীফ মিনিস্টর নবীন পাতনায়ককী খোঙচৎ মাঙওইননা ঙাকশেন্নবগীদমক স্টেট অসিগী কোনূং ভুবনেশ্বরদগী কিলোমিটর ৩৪৯ লাপ্পদা লৈবা বেলপহারদা পুলিসকী গাড়ী অদুনা পুলিসমেন ৩৩ পুরকপদা খুদোঙথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

চীফ মিনিস্টর পাতনায়কনা খুদোঙথিবা থৌদোক অদুদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং লৈখিদ্রবা ইমূং–মনূংশিংদা মহাক্কী অৱাবা পাওজেল অদু থাখ্রে। অশোকপশিং অদু লেন্না লায়েঙগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা পুলিসমেনশিং অদুগী ইমূং মনূংশিংদা লূপা লাক্ষ ৫–৫গী কম্পেন্সেসন পীনবা অমসুং গভর্ণমেন্টকী থবক অমা পীনবা ৱাফমসু চীফ মিনিস্টরনা লাওথোকখ্রে।

তূংদা হকচাংগী ফিভম শোয়নবা য়াবা ফিভম লূনা শোকপশিংদা লূপা লাক্ষ ১–১ পীগনি হায়নসু লাওথোকখ্রে।

# প্রাইম মিনিস্টরগী তামিলনাদু খোঙচৎ মাঙওইননা এম দি এম কেগী ভাইকো ফাখ্রে

***কন্যাকুমারি, মোর্চ ১ঃ***
তামিল নাদুগী তিরুনেলভেলি অমসুং কন্যাকুমারি দিস্ট্রিক্টশিংগী ঙমখৈদা লৈবা কবালকিনারু এরিয়াদা বি জে পি অমসুং এম দি এম কে গী ভলন্টিয়ারশিং খূৎ থোক্লরকখিবা অদুগী মতূংদা ঙসি ইরাই নুমিৎতা এম দি এম কে লূচীংবা ভাইকো অমসুং মাগী শৌগৎপা মীওই কয়ামরুম ফারে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

এম দি এম কেগী লূচীংবা অসিনা মাগী শৌগৎপা মীওইশিংগা লোয়ননা কাবালকিনারুদা পূনখি অমসুং কাবেরিগী ৱাথোক য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা স্টেট অসিবু মীনপ্লে হায়না ৱা ঙাংখি।

ভাইকোনা ৱা ঙাংবা ফাওবা লোয়দ্রিঙৈ মরক্তা এম দি এম কে অমসুং বি জে পিগী কাদরশিংগা অমগা অমগা নূংনা থান্নদুনা খূৎ থোক্লখি।

এম দি এম কেগী মীওইশিংনা মোদিনা তামিলশিংবু থাজবা হাৎলি, মোদি হনখ্রে হায়না থাবা প্লেকার্দশিং পায়খি। ভায়কোনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মরমদা মীনম্বা ৱাফমশিং শন্দোকই, মরম অদুনা মহাকপু ফাগদবনি হায়না বি জে পি ভলন্টিয়ারশিংনা দিমান্দ তৌখি।

প্রাইম মিনিস্টর নরেন্দ্র মোদি হৌজিক হৌজিক ৱেলফিয়ার প্রোজেক্ট কয়ামরুম শঙ্গানবা কন্যাকুমারিদা লৈরি।

# টেরোজিমনা মীয়ামগী পূন্সি মাঙ–তাকহল্লি, রিজনশিং লৈতাহন্দে হায়রদুনা ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা আই ও সিদা ৱা ঙাংখ্রে

***অবু দাবি, মোর্চ ১ঃ***
ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়ারস মিনিস্টর সুস্মা স্বরাজবু আই ও সি মীফমদা ৱা ঙাংনবা তৌখিবা বার্তন অদু ককথৎনবা পাকিস্টাননা কন্না দিমান্দ তৌজরবসু ইন্দিয়াগী অচৌবা দিপ্লোমেটিক্কী মায়পাকপা অমদা লৈবাক অসিনা ঙসি অবু দাবিদা পাংথোকপা ওর্গনাইজেসন ওফ ইস্লামিক কোওপরেসন (ও আই সি)দা অহানবা ওইনা ৱা ঙাংখ্রে।

ইস্লামিক লৈবাক ৫৭কী মীফমদা ৱা ঙাংবদা অহানবা



ইন্দিয়ান মিনিস্টর ওইরিবী সুস্মা স্বরাজনা মীফম অদুদা হায়খি, টেরোরিজম অমসুং এক্সট্রিমিজমনা তোঙান তোঙানবা মমিংশিং অমসুং লেবেলশিংদা থবক তৌরি। মসিনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিং শিজিন্নে অদুবু মখোয়গী মায়পাক্নবগীদমক রিলিজনবু তাওন্না পুথোকই অমসুং লান্না লমজিংবা থাজবা অমা পীনবা হোৎনৈ।

টেরোরিজমগী ময়োক্তগা চংশিল্লিবা লান্থেং অসি কনাগুম্বা রিলিজন অমত্তগী ময়োক্তা লেপ্পা নৎতে। টেরোরিজমনা মীয়ামগী পূন্সিশিংবু মাং–তাকহল্লি অমসুং রিজনশিংবু তংদু–লৈতাহন্দে হায়না ইন্দিয়াগী ফোরেন এফিয়ার্স মিনিস্টর অসিনা হায়খি।

কোন্না ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরকখিবা, ইন্দিরা গান্ধীগী কেবিনেটতা সেনিয়ার মিনিস্টর অমা ওইখিবা ফকরউদ্দিন আলি অহমেদপু ১৯৬৯দা রাবাত কনফরেন্সতা য়াওনবা বার্ত্তন তৌরকখি অদুবু মহাক্না মোরোক্কোগী কোনূং অদুদা থুংলখ্রবগী মতূংদা পাকিস্টানগী থৌইনশিন্দগী বার্ত্তন অদু ককথৎখি। মদুগী মতূংদগী হৌজিক ফাওবা আই ও সিগী মীফম পূন্নমক্তা ইন্দিয়াবু য়াওহল্লকখিদ্রে।

মিনিট ১৭ লোম শাংবা মহাক্কী ৱারোল অদুদা সুস্মা স্বরাজনা পাকিস্টানগী মমিং পনখিদে।

# নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার ৱাথোক অহীং অমদা হেক্তা ৱারোশিন পুরকপা ঙম্লোই ঃ চিনা

***বৈজিং, মার্চ ১ঃ***
নোর্থ কোরিয়ান লূচীংবা কিম জোং উন অমসুং যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মরক্তা ভিয়েটনামগী হানোইদা পাংথোকখিবা করিগুম্বা খরদি শোয়দনা য়ানবা পুরক্কনি হায়না ৱাংনা থাজনখিবা সম্মিট অদু করিগুম্বা য়ানরোল অমত্তা পুরক্তনা লোয়শিনখ্রবগী তূংদা অহীং অমদা হেক্তা ন্যুক্লিয়ার ৱাথোক লোয়শিনবা ঙমলোই হায়বা ৱাফম থম্লদুনা যু এস অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী মরক্তা মখা তানা ৱারি শান্নখিগনি হায়না বৈজিংনা ঙরাং থাজবা ফোঙদোকখ্রে।



চাইনিজ ফোরেন মিনিস্ট্রিগী ৱাঙাংলোই লূ কাংনা ফোঙদোকখিবদা ট্রম্প নৎত্রেগা নোর্থ কোরিয়া লূচীংবা অদুনা উন্নখিবা অদুগী মরমদা হায়গদবা অদু হৌজিক ফাওবা তাদ্রি হায়খি।

অদুবু ঐহাক্না মতম পূন্নমক্তা অশা তৌরি মদুদি কোরিয়ান পেনিন্সুলাগী লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার প্রোব্লেম অসি চহী কয়ামরুমদগী লৈরক্লবনি হায়বসি মীপূম খুদিংমক্না খঙই অমসুং মসিগী ৱাথোক অসি অরোইবা ওইনা লোয়শিনবা হায়বসি অহীং অমদা হেক্তা ফংবা ঙমদবা করিগুম্বা অমনি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিস্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অসিনা চাং নাইনা প্রেসতা পীবা পাউদম অমদা হায়খি।

মসি য়ান্না অরাইবা থবক অমা নৎতে। মদু নৎলমদ্রগদি মসি ঙসি ফাওবা লোয়শিনবা ঙমদনা চোহ্নদুনা লৈরম্লোই হায়খি। মহাক্না ৱাসিংটন অমসুং পিয়োংয়াংনা অমনা অমগী তঙাইফদবা নূংনাংবশিং অদু খঙ্হনবগীদমক বৈজিংগী অপীল অদু অমুক হন্না চেৎনা পনখি।

নাকন অনীমক্না অসিগুম্বা ৱারী শান্নবা অমা মখা তানা চথখিগনি হায়বসি ঐগী অশানি হায়না মহাক্না হায়খি।

নোর্থ কোরিয়াগী কিমনা হৌখিবা চহীদা চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংগা ৪লক হন্না উন্নখ্রে। খ্বাইদগী নৌবদা হন্দক্তা জনুৱারি থাদা উন্নখি।

উন্নখিবশিং অদু ট্রম্প অমসুং সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে–ইনগা কিমগা উন্নখিবা অসিগী মমাঙ অমসুং মতূংদা অমনা অমদা পাউদমদুনা খঙহন্নবগী খুদোঙচাবা তঞ্জাশিংনি হায়না খন্নরি।

# ভেনেজুয়েলাদা য়ু এনগী থবক লৌখৎনবা য়ু এসনা হোৎনরকপদা রসিয়া অমসুং চিনানা থিংখ্রে

***য়ুনাইটেদ নেসন্স, মার্চ ১ঃ***
ভেনেজুয়েলাদা প্রসিদেন্ট মীখল ফ্রি অমসুং ফিয়ার ওইনা পাংথোক্লবা লোয়ননা লৈবাক অদুদা অথিংবা য়াওদনা তেঙবাং পীবা য়াহন্নবা য়ুনাইটেদ নেসন্স সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা অপিল তৌহন্নবগী য়ু এসকী খোঙথাং অমা ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা রসিয়া অমসুং চিনানা ভেটো তৌদুনা থিংখ্রে।

য়ু এসনা পুখৎলকপা দ্রাফ রেজুলুসন অদু য়ামদ্রবদা ভোত ৯ ফংখি। অদুবু রসিয়া অমসুং চিনানা ভেতো তৌখি।

সাউথ অফ্রিকানসু য়ু এসকী রেজুলুসন অদুগী ময়োক্তা ভোত পীখি। ইন্দোনেসিয়া, গীনিয়া অমসুং আইভোরি কোস্টনা ভোত থাদবা য়াওখিদে।

ভেনেজুয়েলাগী ওপোজিসন লিদর অমসুং লৈবাক অসিগী ইলেক্টেদ নেসনেল এসেমব্লিগী মকোক জুৱান গুৱাইদোবু প্রসিদেন্ট নিকোলাশ মাদুরোগী মহুত্তা প্রসিদেন্ট ওইনা ইন্টরনেসনেলনা শকখঙনবা য়ু এসনা লুচীংদুনা চখবা কেম্পেন অমগী মতাংদা রসিয়াগা য়ুনাইটেদ স্টটসকা কন্না মুক্নদুনা লৈরক্লিবনি।



হৌখিবা থাদা গুৱাইদোনা মহাক মশামক ইন্টরিম হেদ ওফ স্টটনি হায়না লাওথোকখি।

ভেনেজুয়েলাদা ওইরিবা ফিভম অদুবু ৱারোইশিন পুরকপদা সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা অচুম্বা থবক তৌবা ঙমদবগী ফল অমা ওইনা ঙসিগী মীফম অসি হ্যুমেনিটেরিয়ানগী নৎতবা, অশেঙবা খূৎ থিঙজিনবা অমগী থৌরাংশিং তৌনবগী খোঙথাং অমা ওইনা লান্না শিজিন্নখিবগী ফিভমদা লৈরে হায়বসিদা ঐখোয়না হকচিন্না নুংনাংই হায়না রসিয়ান য়ু এন এম্বেসেদর বাসিলি নেবেনজিয়ানা হায়খি।

অদুবু ৱাসিংটননা ভেনেজুয়েলাদা মিলিটরিনা খূৎ থিঙজিন্নবা থৌরাং তৌই হায়না রসিয়াননা মরান শীরক্লিবশিং অদু ভেনেজুয়েলাগীদমক হাপ্পা য়ু এস স্পীসিয়েল এনভোয় এলিয়োট অব্রামসনা য়াখিদে।

অদুবু অমরোমদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ভেনেজুয়েলাগীদমক তৌবা য়াবা থবক পূন্নমক তৌনবা থোঙ হাংলি হায়খি।

য়ুনাইটেদ স্টেটস অমসুং অতোপ্পা লৈবাক কয়ামরুন্না ওপোজিসন লিদর গুৱাইদোবু ভেনেজুয়েলাগী ওইফম থোকপা প্রসিদেন্ট অদুনি হায়না রিককনাইজ তৌখ্রে। মদু ওইদুনসু নিকোলস মাদুরোনা হৌজিকসু মিলিটরি, স্টেট ইনষ্টিট্যুসনশিং, ওইল কম্পেনি পেট্রোলিওস দে ভেনেজুয়েলা এস এগী খুর্জি পায়রি। ওইল কম্পেনি অসিনা লৈবাক অসিগী এক্সপোর্টকী চাদা ৯০ পীরিবনি।

ভেনেজুয়েলাগী লৈবাক মনূংগী হীরমশিং অসি ভেনেজুয়েলা মীয়ান্না ৱারেপ লৌজগদবনি হায়না চিনাগী দিপুটি য়ু এন এম্বেসেদর ৱু হাইতাওনা হায়খি।

# য়ু এস নেভিগী ওইবা এফ–৩৫ জেট লানদা শীজিন্নবা য়ারে

***ৱাশিংটন, মোর্চ ১ঃ***
হৌজিক ফাওবগী মনূংদা খ্বাইদগী শেন চঙবা ৱিপন্স প্রোগাম অদু পুথোক্তুনা অতোপা শিংথানিঙাই ওইবা থবক অমা ওইনা এফ–৩৫ ষ্টিলথ ফাইটর জেটকী য়ু এস নেভিগী ওইবা জেট অদু লানদা শিজিন্নবা য়াবগী চাং য়ৌনা থৌরাং তৌরে হায়না ঙরাং ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এফ–৩৫ 'সি' ওপরেসনশিংগীদমক থৌরাং তৌরে, কম্বেটকীদমক থৌরাং তৌরে অমসুং লানফমশিং মায় পাক্নবা থৌরাং তৌরে হায়না নেভেল এয়ার ফোর্সেস কমান্দ তৌরিবা ভাইস এদমিরেল দিৱেলফেট মিল্লরনা স্টেটমেন্ট অমদা হায়খ্রে।

ঐখোয়গী কেরিয়র স্ট্রাইক গ্রূপশিংগী খূৎলাইগী পূক্কেদা জোইন্ট ফোর্সকী তৌবা ঙম্বগী মপাঙ্গল শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎহল্লবা থাজরুদবা ৱিপন সিস্টেম অমা ঐখোয়না হাপচিল্লে।

এফ–৩৫ 'সি' অসি নেভিগীদমক পুথোক্লকখিবনি অমসুং এয়ারক্রাফ কেরিয়র অমদা পাইখৎপা অমসুং তারকপা ঙম্মি। মসিগী মশাশিং অদু অচৌবা জহাজশিংদা মফম চাওনা কনশিন্দনবা থুপচিনবা য়াই।

অগষ্ট ২০১৭দা এয়ার ফোর্সনা এফ–৩৫ 'এ' হায়বা মখোয়গী ওইবা জেট অসিগী তৌবা ঙম্বা শক্তি অদু লাওথোকখি।

এফ–৩৫ 'বি'না মেরিন কোরনা শিজিন্নরি, মসিনা অতেনবা মফমদগী পাইখৎপা ঙম্মি অমসুং চপ য়ুংনা লেন্দিং তৌরকপা ঙম্মি। হৌখিবা চহীদা অফগানিস্টানদা মসিগী অহানবা কম্বেট মিসনশিং পাইখ্রে।

১৯৯০গী অঙনবা চহীশিংদা পায়খৎপা হৌখিবা এফ–৩৫ প্রোগ্রাম অসি য়ু এসকী ইতিহাসতা খ্বাইদগী শেন চংবা ৱিপন্সস সিস্টেমনি খন্নে। মসিদা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪০০ রোমগী শেনফম চঙখি। লাক্লিবা চহীশিংদা ফাইটর জেট মখল অসি ২৫০০ পুথোক্লবা পান্দম থল্লি।

# বিন লাদেনগী মচানুপাগী পাউ পীবদা য়ু এসনা দোল্লর মিল্লিয়ন ১গী রিৱার্দ লাওথোকখ্রে



***ৱাশিংটন, মোর্চ ১ঃ***
লৈখিদ্রবা অল কৈদা লূচীংবা ওসামা বিন লাদেনগী মচানুপা অমগী মতাংদা পাউ পীরকপদা দোল্লর মিল্লিয়ন অমগী রিৱার্দ পীগনি হায়না য়ুনাইটেদ স্টেটসনা ঙরাং লাওথোকখ্রে।

ক্রাউন প্রিন্স ওফ জিহাদনি হায়না মতম অমদা হায়নখিবা হমজা বিন লাদেননা পাকিস্টান, অফগানিস্টান, সিরিয়াদা লৈ নৎত্রগা ইরানদা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা লৈ হায়না চহী কয়ামরুম ঙাংনরকখিবনি। মশগী চহী ৩০ রোম শুরবা মীওই অসিনা মহাক্কী মপাবু য়ু এস ফোর্সশিংনা ২০১১দা হাৎখিবগী লমন খুন্নবা য়ু এসকী মথক্তা এটেকশিং তৌগনি হায়না শীংদুনা লৈ হায়না য়ু এসনা হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-55**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | 2 | 6 | | | | 3 | |
| | | 5 | | 1 | 8 | | | 7 |
| 6 | 4 | | 2 | 3 | | | | |
| 1 | 6 | | | | 3 | 5 | | |
| 2 | 8 | | | | 4 | | | 3 |
| | | 3 | 1 | 6 | | 2 | | |
| 3 | | | | | 6 | | | 2 |
| | 2 | | | | | 3 | 4 | |
| | | 6 | 3 | | | | 1 | |

## GAS TODAY

**Imphal L P G Service**
Booking : 20/02/09
Valid : 08/01/19
Sl. No. : Upto 139
Stk : 306, 19kg-25 & 5kg Avail
Time : From 08.00 a.m.
Delivery at Heinoupok

**Santhel Bazar Indane**
Booking :13/01/19
Valid : 20/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Yaripok Gas Service**
Booking : 30/01/19
Valid : 24/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking : 11/01/19
Valid : 06/01/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**K & K Indane**
Booking : 01/02/19
Sl. No. : 30
Valid : 25/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 17/01/19
Sl. No. : 241290
Valid : 13/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 12 Noon

**Porompat Indane**
Booking : 03/01/19
Valid : 12/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 08/02/19
Valid : 11/02/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Haran Velley Indane**
Booking : 14/12/18
Valid : 08/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**G B D Indane**
Booking : 08/01/19
Valid : 21/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Swombung Indane**
Booking : 22/01/19
Valid : 16/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 28/12/18
Valid : 24/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Misao Gas**
Stok : 19kg-150
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**সনা–সুদোকু –৫৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 9 | 6 | 2 | 5 | 4 | 1 | 7 | 3 |
| 2 | 3 | 7 | 1 | 8 | 9 | 5 | 4 | 6 |
| 4 | 5 | 1 | 6 | 3 | 7 | 8 | 2 | 9 |
| 9 | 1 | 4 | 5 | 2 | 6 | 7 | 3 | 8 |
| 6 | 7 | 2 | 3 | 9 | 8 | 4 | 1 | 5 |
| 5 | 8 | 3 | 4 | 7 | 1 | 9 | 6 | 2 |
| 7 | 6 | 5 | 8 | 4 | 3 | 2 | 9 | 1 |
| 1 | 2 | 9 | 7 | 6 | 5 | 3 | 8 | 4 |
| 3 | 4 | 8 | 9 | 1 | 2 | 6 | 5 | 7 |